# ইজরেলি ফোর্সশিংনা চথুরকখিবা কা হেনবা থৌওংশিংদা পেলিষ্টিনিয়ন কয়া শোকখ্রে



জেরুসালম, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক খরদা ইলিগেল ওইবা মওংদা ইজরেলিশিংনা আউটপোষ্ট অমা শাজিল্লকখিবা অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পেলিষ্টিনিয়ন কয়ানা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা লন্বীশিংদা টয়ারশিং পৈশিন্দুনা মৈ থাখ্রে। মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা চথুখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংদা খোঙজংলোয় ৩৭০ হেন্না শোকখ্রে হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্ককী বৈটা টাউনদা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা ইলিগেল ওইবা মওংদা লম খোপচিনবগী থবক থৌওংশিং চথুরল্লিবা অদুগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিনখি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অদুগা ইজরেলি ফোর্সকী মরক্তা মুক্নরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাইফ রাউন্দ কয়া কাপখি। লাইফ রাউন্দশিং কাপথোরকপগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৩১ শোকহনখি। মদুগী মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা টিয়ার গ্যাস কেনিষ্টরশিং লৈমায়দা থাধরকখি।

পেলিষ্টিনিয়ন রেদ ক্রসেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ইজরেলি ফোর্সশিংগী কা হেনবা থবক থৌওং অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৩৭৯ শোকহনখি। মদুগী মনুংদা ৩১ দি লাইফ রাউন্দনা পানবদগী শোকখিবনি। ইজরেল ফোর্সশিংনা পেলিষ্টিনিয়নশিংবু মরম লৈতনা ওৎ নৈবা অমদি হাৎপগী থবক য়াম্না তোয়না চথুরি।

বৈটা টাউন খক্তা নত্তনা কাফর কাদুম টাউন অমসুং বৈট দাজনদসু মীয়াম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্নবগী থৌদোকশিং থোকখি। মদুদসু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্তুনা খোঙজংলোয়শিং অদুবু তানখায়নবা হোৎনখি মদুদসু মীওই খরা শোকখি। ইন্তরনেসনল লোগী মতুং ইন্নদি ওকুপাইদ টেরিটোরিশিংদা ইজরেলি সেটলমেন্টশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌওংশিং অদু ইলিগেল ওই। মসিগী মতাংদা পেলিষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেলি অনীগী মরক্তা মতম কয়াগী মমাংদগী উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি।

হৌখিবা মে থাদসু নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা উংখৎনরকপদগী পেলিষ্টিনিয়ন ৩৪ ইজরেল সিক্যুরিটি ফোর্সকী মখুত্তা শিখি। চহী অসি হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা ৱেষ্ট বেঙ্কতা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক ৬০০ লোম থোকখ্রে। ওকুপাইদ টেরিটোরিদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা আউটপোষ্ট অমা শাজিল্লক্লিবা অসি ইলিগেল ওইবা থৌওংনি। মসিগী মতাংদা মীয়াম্না খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি। অদুমওইনমক ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগীদি হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

# হাইটিদা ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মতেং পাংনবগীদমক য়ু এস অমসুং য়ু এনদা হায়জখ্রে

হাইটি, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

হাইটিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জোভেনেল মোইজেবু মপুং ফানা ত্রেন তৌরবা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা ফোরেন্নর খরনা মশাগী ময়ুমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুং হাইটি গভর্ণমেন্টনা চথুরিবা থিজিনবগী থবকশিং অমদি মরু ওইবা মীওইশিং ঙাক শেন্নবগীদমক ৱাশিংটন অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ক্রুপশিং থারক্লবা গভর্ণমেন্ট মিনিষ্টর অমনা হায়জখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদুগী মতাংদা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংনবগীদমক এফ বি আই অমদি অতোপ্পা এজেন্টশিং থারক্লগনি হায়না হাইটিদা খঙহল্লকপা লৈখ্রে। হাইটিদা ফোরেন মর্সিনরিশিং অসিনা অচৌবা ঈরাং অমা থোকহন্নবা শিল্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মরম অদুনা ওইরক্লিবা ফীভম অসি কন্ট্রোল তৌবদা মতেং ওইনবগীদমক ৱাশিংটন অমসুং য়ু এনদা ক্রুপশিং থারক্লবা হায়জখিবনি হায়না ইলেক্সন মিনিষ্টর মথিয়াস পিয়রনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্ট অমসুং পেন্টাগোন অনীমক্না হাইটিনা হায়জরকখিবা ৱাফমশিং অসিবু য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মতেং পাংনবা এজেন্টশিং থারক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হাইটিদা য়ু এস মিলিটরি ক্রুপশিং দিপ্লোয় তৌগদ্রা নৎত্রগা তৌরোইদ্রা হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি। য়ু এনগী মায়কৈদগীসু হাইটিনা হায়জরকখিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি।

প্রদিদেন্ট মোইজে হাৎখিবা অদু হাইটি সিটিজেনশিং নত্তে। মখোয় খুদিংমক ফোরেন্নরশিংনি। মীওই ২৮ না শাবা টিম অমনা য়াম্না হৈনা শিংনা এটেক চথুদুনা প্রসিদেন্ট মশামক্কী ময়ুমদা হাৎখিবনি। টিম অদুদা য়াওরিবা মীওই ২৬ না কলম্বীয়ানি অদুগা ২ না অমেরিকাননি হায়না হাইটি ওথোরিটিশিংনা মাংজৌননা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অমরোমদা প্রসিদেন্ট হাৎপগী থৌদোক অদুদা মহাকপু ঙাক শেল্লিবা এজেন্টশিং চেন্নরম্বা য়ানা লৈ হায়না মায়কৈ খরদগী ফোঙদোক্লরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা হাইটি ওথোরিটিশিংদা চাওনা চম্মমনবা থোকহল্লে।

প্রসিদেন্ট হাৎপদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাবদা মতেং ওইনবগীদমক হাইটি গভর্ণমেন্টনা চয়োল অনীগী ওইনা লৈবাক অদুদা ষ্টেট ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবগী মীওই কয়া চরাংনরে। মীয়াম্না দুকানশিংদা ক্যু শাংনা শাংনা লেপ্তুনা পোৎ চৈশিং লৈশিন্নবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইরগা লম্বী সরক্তা মী চিনবগী চাং হান্নদগী হেনগৎলক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা হাইটিগী কোনুং পোর্ট-ঔ-প্রিন্সকী রেসিদেন্ট অমনা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবনা মরম ওইরগা মীয়াম হান্নগুম্না চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবশিং লৈবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না গ্যাস ষ্টেসন অমসুং সুপর মার্কেটশিংদা শাংনা শাংনা লেপ্তুনা পোৎ চৈশিং লৈবা হৌনরে। মফম অসিদা মীয়াম্না পামদবা থৌদোকশিং থোক্লবা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা মথৌ তাবা পোৎলমশিং লৈশিনবা হৌখিবনি।

অমরোমদা লৈবাক অসিদা য়ানদবা গেং খুৎপুশিংগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা তংদু লৈতাদবা ওইহল্লে।



## জপানগী খা থংবা শরুক্তা অকনবা নোংনা চৈথেং পীবা হৌখ্রে

টোকিয়ো, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

জপানগী কোনুং টোকিয়োগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা অটামি সিটিদা নুমিৎ নীনিরোম লেপ্তুনা অকনবা নোং চুখিবনা মরম ওইরগা লেন্দইস্লাইদ থোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা খুদোংথিবা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা মীওই ১,২০,০০০ হেনবা মফমদু থাদোক্তুনা শাফগদবা মফম অমদা চৎখিনবগীদমক জপান গভর্ণমেন্টনা খঙহনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জপানগী মিটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা জপানগী ক্যুসু আইলেন্দদা মরু ওইনা অকনবা নোং নুংশিৎনা চৈথেং পীখিবনি। লোকেল গভর্ণমেন্টশিংনা মফমশিং অদুদা খুদোংথিবা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইবনা মীওইশিং মফমদুদা থাদোক্তুনা চৎনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মমাং চয়োলদসু অটামিসিটিদা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা লেন্দইস্লাইদ থোকপগী থৌদোক্তা মীওই ৯ শিহনখিবগা লোয়ননা মীওই ২০ লোম থিবা ফংদনা লাকখিবনি। হায়রিবা মীওইশিং অদু হৌজিকসু থিবা ফংদনা লৈরি।

ফায়র ৱার্করশিংনা অকনবা নোংনা চৈথেং পীখ্রবা মফমশিংদা চত্তুনা অৱাবা তারবশিংদা মতেং পাংবগী থবক চথুরি। মখা তানা ফায়র ৱার্করশিংনা অকনবা নোংনা চৈথেং পীখ্রবা মফমশিংদগী মী পুথোক পুশিন তৌবদা মতেং পাংবা হৌরগনি হায়না ফায়র সার্ভিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মেগনিচুদ ৬.১ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে

জকারটা, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা সুলাৱেসি আইলেন্দদা ঙসি মেগনিচুদ ৬.১ য়ৌনা অকনবা য়ুহা হাখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেট জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোরকখ্রে। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সুনামিগী ৱার্নিং নৎত্রগনা অকনবা য়ুহা অদুনা অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউদি লৈত্রি হায়রি।

য়ুহা অদু সুলাৱেসিগী অৱাং থংবদা কিলোমিটর ২৫৮ লোম চৎলগা লৈবা মানাদো সিটিগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা থোকখিবনি। লৈমায়দগী কিলোমিটর ৬৮ লোম লুবা মফম অমদগী য়ুহা অদু হৌরকখিবনি। ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা হাবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। রিং ওফ ফায়রনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা য়ুহা হায়বগী থৌদোকশিং তোয়না থোকপনি। ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা মীয়াম অয়াম্বা করম্বা মতমদা য়ুহা হারক্কনি হায়বা খঙবা ঙমদবনা মীপায়বা পোক্লরি। হৌখিবা জনুৱারী থাদসু লৈবাক অসিদা মেগনিচুদ ৬.২ য়ৌনা হায়খিবা য়ুহা অমনা মরম ওইরগা মীওই ১০০ রোম হেন্না শিহনখি। অদুগা কয়া অমনা ময়ুম মকৈ লৈহনখিদে। কুমজা ২০১৮ দসু লৈবাক অসিদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই ৫৫০ হেন্না শিহনখি।

## ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মতেং মথৌ তাই



ৱাশিংটন, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুদা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং চথুরকপা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীরি। লৈবাক অদুদা ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনসু অচৌবা মতেং পাংবগী মথৌ তাই হায়না য়ু এসনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকননা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টানগী অয়াম্বা শরুক হৌজিক হৌজিক টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা অফঘানগা য়ুমথংনরিবা লৈবাক পাকিষ্টানগা ৱারী শান্নদুনা খন্নবা হৌখ্রে। পাকিষ্টানগী মায়কৈদগীসু অফঘানিষ্টানদা ঈং তপ্পা পুরম্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। পাকিষ্টান খক্তা নত্তনা অফঘানগা য়ুমথংনরিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংফম থোকই। অফঘান গভর্ণমেন্ট খক্তনা লৈবাক অদুদা ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়বসি ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিশিংনা খঙনরবা ৱাফম অমনি। মরম অদুনা অফঘানদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে হায়রি।

## ঈ য়ুগী মনুংদা লৈরিবা অহল ওইরবশিংগী মনুংদা চাদা ৭০ মপুং ফানা হীদাক কাপথোকখ্রে



ব্রুসেল, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মনুংদা লৈরিবা অহল ওইরিবশিংগী চাদা ৭০ কোভিদ ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোকখ্রে হায়না ঈ য়ু কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উরসুলা ভোল দের লেয়েননা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

মেম্বর ষ্টেট ২৭ লৈবা য়ুনিয়ন অসিদা য়াওরিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট খুদিংমক্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখি। মখা তানা য়ুনিয়ন অসিগী মনুংদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোক্লবগী পান্দম থল্লি। হয়েংসু য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা মফশিংদা কোভিদ ভেক্সিন মিল্লিয়ন দোজ ৫০০ রোম য়েন্থোক্লবা শেম শাবা লোইরে। মালেমগী ওইনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন খোঙজেল য়াঙনা কাপথোকপশিং মনুংদা অমা ওইরি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা মালেমদা অকনবা চৈথেং পীরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। মখা তানসু লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎখিগনি হায়রি।

## চাইনাগী কম্পনি ৩৪ গী মথক্তা অথিংবা থমজিনখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

চাইনাগী মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা উইঘুর মুস্লিম মাইনোরিটিশিংগী মথক্তা চথুরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অমদি রসিয়া অমসুং ইরানদা পোৎ চৈ কয়া এক্সপোর্ট তৌরিবা অদুগা মরী লৈননা ৱাশিংটননা চাইনাগী কম্পনি ৩৪ গী মথক্তা অথিংবা থমজিনখ্রে হায়রি।

চাইনানা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ইন্তরনেসনল লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিং অসি লেপত্রিবা ফাওবা নৎত্রগনা য়ু এসকা ৱারী শান্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদ্রিবা ফাওবা হায়রিবা কম্পিনিশিং অসিগী মথক্তা অথিংবা থমজিনখিগনি।

হায়রিবা কম্পনিশিং অসিনা মরু ওইনা ৱাশিংটনগী ফোরেন পোলিসি অমদি নেসনল সিক্যুরিটিগী ওইবা থবক থৌওং কয়াদা অহেনবা ইন্তরেষ্ট লৌশিল্লক্লি। মসি য়ু এসকী ওইনদি অচৌবা শীংনবা অমনি। মরম অদুনা কম্পনিশিং অসিগী মথক্তা তঙাইফদনা অথিংবশিং অসি থমজিনখিবনি।

কম্পনিশিং অদুগী মনুংদা ১৪ দি অপিকপা ফুরুপশিংগী মথক্তা চাইনানা চথুরিবা ক্রাইমশিং অদুগা মরী লৈনৈ। উইঘুর কম্যুনিটিশিংদা চাইনাগী মিলিটরিনা কা হেন্না ওৎ নৈবগী থবক চথুরি। মসিগী মতাংদা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনটিশিংনসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুমওইনমক চাইনানা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অদু থওইনা লৌদবগী লোয়ননা মখোয়গী অপাম্বা মওংদা মীয়ামদা ওৎ নৈবগী থবক চথৈ হায়রি।

## বংলাদেশতা মীওই ৫২ মৈনা চাক্তুনা শিখ্রবা মতুং ফেক্টরি মপু পুলিসনা ফাগৎখ্রে

ধাকা, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

বংলাদেশতা ফেক্টরি অমা খঙহৌদনা মৈ চাল্লকপগী থৌদোক্তা চহী নৌরিবা অঙাং ১১ য়াওনা মীওই ৫২ শিখ্রবা মতুং ফেক্টরি মপু অদু পুলিসনা ঙসি ফাগৎখ্রে হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা পুং ২৪ হেন্না মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা ফেক্টররি অদুদা থবক তৌবা ৱার্কর ৫২ শিহনখিবা অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা ফুদ ফেক্টরি অদুবু মপুগা লোয়ননা মহাক্কী মচানুপা মরিসু ফাজিন্দুনা থমখ্রে। মখোয় ৫ নত্তবা অতোপ্পা অহুম অমসু পুলিসনা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফাজিনখি।



ফুদ ফেক্টরি অদুদা চহী নৌরিবা অঙাশিং শীজিন্নরম্বা অদুগা মরী লৈননা তোঙানবা ইনক্বারি অমা চথবা হৌখ্রে হায়না নরাইয়নগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস চীফ জয়েদুল অলমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং অদুদা সেফটি রিগুলেসনগী চৎনা কাঙলোনশিংসু অমত্তা ঙাক্লমখিদে হায়রি। ফেক্টরি মপু অদুনা বিল্ডিং অদুগী মতাংদা চেকশিনবা ৱাৎপদগী চৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপগা লোয়ননা শোয়বদগী মৈ অদু চাল্লকখিবা ওইরবসু মসি অতম্না মী হাৎপগা পাংখকনি।

## লালহৌবশিংগী এটৈকতা ৪ শিরে, ৯ শোক্লে

মোগাদিসু, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

সোমালিয়াদা ঙসি মোগাদিসু পুলিস চীফ য়াওনা চৎখিবা কনভোয় অমদা তৌরকপা সুসাইদ কার বোম্বিং এটৈকতা মীওই ৪ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৯ অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না সোমালি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় সদিক অদেন অল্লিনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি চথুরকখিবা এটৈক অদুদা লাইবক ফবদগী পুলিস কম্মিস্নার ফারহান মেহমুদ অশোয় অঙাম থোকহৌদ্রে। অল-সবাব মিলিটেন্টশিংনা কম্মান্দর অদুবু হাৎনবগীদমক টর্গেট তৌদুনা চথুখিবা এটৈক অদুদা লম্বীদা গাড়ী থৌদুনা লাকখিবা মীওই ৪ শিহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৯ শোকহনখিবনি।

অল-সবাব মিলিটেন্ট গ্রুপ অসি অসি অল-সবাবকা মরী লৈনবা গ্রুপ অমনি। সোমালিয়াগী গভর্ণমেন্টনা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিবু লৈবাক অসিদগী তকথোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মোগাদিসুগী মরু ওইবা মফম খরদি মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা গ্রুপ অসিনা এটৈক চথবগী চাং হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলক্লি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 186,820,143 | +492,423 | 4,035,019 | +8,465 | 170,877,453 | 11,907,671 |
| 1 | USA | 34,711,416 | +27,237 | 622,708 | +366 | 29,222,972 | 4,865,736 |
| 2 | India | 30,794,756 | +42,648 | 407,173 | +1,206 | 29,925,883 | 461,700 |
| 3 | Brazil | 19,020,499 | +57,713 | 531,777 | +1,433 | 17,479,277 | 1,009,445 |
| 4 | France | 5,803,687 | +4,580 | 111,302 | +18 | 5,644,212 | 48,173 |
| 5 | Russia | 5,733,218 | +25,766 | 141,501 | +726 | 5,165,087 | 426,630 |
| 6 | Turkey | 5,470,764 | +5,670 | 50,155 | +59 | 5,338,885 | 81,724 |
| 7 | UK | 5,058,093 | +35,707 | 128,365 | +29 | 4,352,069 | 577,659 |
| 8 | Argentina | 4,627,537 | +14,518 | 98,148 | +244 | 4,246,200 | 283,189 |
| 9 | Colombia | 4,471,622 | +21,536 | 111,731 | +576 | 4,199,227 | 160,664 |
| 10 | Italy | 4,268,491 | +1,390 | 127,756 | +25 | 4,099,339 | 41,396 |
| 11 | Spain | 3,937,192 | +21,879 | 81,003 | +6 | 3,635,907 | 220,282 |
| 12 | Germany | 3,742,335 | +884 | 91,740 | +39 | 3,633,300 | 17,295 |
| 13 | Iran | 3,344,122 | +16,596 | 85,543 | +146 | 2,995,195 | 263,384 |
| 14 | Poland | 2,880,669 | +75 | 75,152 | +17 | 2,652,409 | 153,108 |
| 15 | Mexico | 2,567,821 | +9,452 | 234,458 | +266 | 2,031,875 | 301,488 |
| 16 | Indonesia | 2,455,912 | +38,124 | 64,631 | +871 | 2,023,548 | 367,733 |
| 17 | Ukraine | 2,240,246 | +655 | 52,572 | +12 | 2,176,110 | 11,564 |
| 18 | South Africa | 2,157,687 | +22,441 | 63,873 | +374 | 1,884,170 | 209,644 |
| 19 | Peru | 2,076,530 | +2,344 | 194,084 | +175 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,708,837 | +6,926 | 17,764 | +2 | 1,649,798 | 41,275 |
| 21 | Czechia | 1,668,904 | +253 | 30,331 | | 1,636,777 | 1,796 |
| 22 | Chile | 1,582,391 | +2,800 | 33,636 | +122 | 1,529,269 | 19,486 |
| 23 | Philippines | 1,461,444 | +5,870 | 25,720 | +70 | 1,383,783 | 51,941 |
| 24 | Canada | 1,419,964 | +768 | 26,419 | +14 | 1,388,108 | 5,437 |
| 25 | Iraq | 1,414,925 | +8,636 | 17,476 | +32 | 1,294,411 | 103,038 |
| 26 | Sweden | 1,092,540 | | 14,604 | | 1,068,085 | 9,851 |
| 27 | Belgium | 1,092,477 | +1,382 | 25,196 | | 1,046,075 | 21,206 |
| 28 | Romania | 1,081,174 | +54 | 34,215 | +1 | 1,045,351 | 1,608 |
| 29 | Bangladesh | 1,000,543 | +11,324 | 16,004 | +212 | 862,384 | 122,155 |
| 30 | Pakistan | 969,476 | +1,843 | 22,520 | +27 | 911,383 | 35,573 |
| 31 | Portugal | 902,489 | +3,194 | 17,142 | +7 | 842,024 | 43,323 |
| 32 | Israel | 845,379 | +390 | 6,434 | +2 | 834,998 | 3,947 |
| 33 | Malaysia | 817,838 | +9,180 | 5,980 | +77 | 731,193 | 80,665 |
| 34 | Japan | 813,964 | +2,252 | 14,917 | +20 | 781,613 | 17,434 |
| 35 | Hungary | 808,437 | +44 | 30,004 | | 741,083 | 37,350 |
| 36 | Jordan | 755,948 | +468 | 9,818 | +6 | 739,228 | 6,902 |
| 37 | Serbia | 717,403 | +110 | 7,067 | +3 | 708,689 | 1,647 |
| 38 | Switzerland | 704,943 | +323 | 10,898 | | 688,448 | 5,597 |
| 39 | Nepal | 652,859 | +1,479 | 9,340 | +20 | 616,929 | 26,590 |
| 40 | Austria | 651,291 | +163 | 10,722 | +1 | 638,719 | 1,850 |
| 41 | UAE | 647,182 | +1,529 | 1,853 | +4 | 625,332 | 19,997 |
| 42 | Lebanon | 547,170 | +404 | 7,871 | +2 | 534,069 | 5,230 |
| 43 | Morocco | 539,839 | +1,250 | 9,351 | +5 | 523,128 | 7,360 |
| 44 | Saudi Arabia | 498,906 | +1,133 | 7,947 | +14 | 479,709 | 11,250 |
| 45 | Tunisia | 481,735 | +8,506 | 16,050 | +189 | 378,917 | 86,768 |
| 46 | Ecuador | 467,073 | +1,195 | 21,803 | +35 | 431,404 | 13,866 |
| 47 | Bolivia | 451,224 | +1,537 | 17,126 | +59 | 375,676 | 58,422 |
| 48 | Kazakhstan | 448,000 | +2,909 | 4,544 | | 408,063 | 35,393 |
| 49 | Paraguay | 435,522 | +1,258 | 13,806 | +77 | 390,003 | 31,713 |
| 50 | Greece | 435,018 | +1,997 | 12,761 | +12 | 408,156 | 14,101 |


**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**

**[illegible] / NOTIFICATION**

Imphal, the 9th July, 2021

**No.Ex/11/Vol-VII:** In continuation of this office notification of even no. dated the 2nd June, 2021, it is hereby notified for information of all concerned that online submission of Application forms for the H.S.L.C. Examination, 2021 is allowed as a one time measure w.e.f. 13/07/2021 to 16/07/2021 in consideration of those students who could not do online form fillup due to imposition of curfew during Covid-19 Pandemic (2nd Wave) and other constraints being faced by students.

It is further to be noted that there shall strictly be no further extension after the above last date i.e. 16/07/2021.

Sd/- **Dr. S. Mangijao Singh**
Secretary

HL-P/6881/11